# মীনা মীবু তুহৎপগী চৎনরোল, অমাং-অশেং অমসুং ককচীংদা য়াইথিবী শেংদোকপা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

তাইবঙ মীওইবা মশেলবু পূনশিন্দুনা থল্লিবা নুংশিনবগী কিশিবু হিগোম হিগোম্নহল্লিবা অমাং-অশেং হায়বা মথোঙ হুক্তবা চৎন-কাঙলোন অমা লৈরম্বসিমক খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়নীংই। হাউরোক কোন্থৌ লাইরেম্বীগী ৱারীদা মাংবা-শেংবগী ৱাফম লৈরম্বরা হায়বা ৱাহং অসিগী পাউখুম ওইবা য়াবা মতাং অমা য়াওরি। লাইগী নিংথৌ সোরারেনগী তালোয় মবেম্মা কোরৌ নোংলৈমা ওইখ্রবী হাউরোক কোন্থৌ নিঙোল চীনফূরোন কোন্থৌসুবু মপাম লমদমদা চাকমাং চাগনু, য়ুমাং থক্কনু হায়না মবুংঙো নোংথৌ সোরারেনন্না মেল্লকপা ৱাফম্থু মপামগী মীওইশিংদা পাউদম্বগী মতাংনি...

"ইপলও হায়গনো! চিংঙু নোংথৌ সোরারেল অৱাং পাখং য়োইরেমবনা অসাইঙৈদা হায়রকপা ৱাবু লৈয়ে। হাউরোক ময়ুম চঙগনো, কোন্থৌ মসাইকোন্দা তরা চাকমাংগনো, ৱাংলৈ য়ু মাংগনো হায়না।"

মতুং তারকপদি মপাম লমদমদা চাকমাং, য়ুমাং চারুই-থক্লুই হায়বগীদমক কোরৌ নোংলৈমা মাবু মপুরোইবগী ময়ূম শঙ্গাইদা চঙহন্দদুনা মপারী খোরিফাবগা মতম কুইনা শাংনা শেৎন-খাইনদুনা লেনখিবগী নুংশিরবা ৱারীনি।

ঈরৈচা মশেন চামিন-থকমিন্নবা, চারৌ-মৌরৌনবদা অথিংবা থল্লম্বগী ৱারী পূম্নমক্না খঙনরবনি। ঐখোয়না লৈশাবী খরা-খরা ফারকপা মতমদুদসু অমাং-অশেংগী চৎন-লোনচৎ অসি অদুম্মক লৈরম্মী। ঙসি ঙসিমক্তি খরা কোমথোরক্লে হায়না লৌবা য়ারে। অদুবু অসিগুল্লবা অখূবা মীৎয়েং ৱাখল অসি সুংলৈমক লৈত্রে, মাঙখ্রে হায়বদি লানগনি। চারৌ-মৌরৌনবগী মতাংসিমদি খৌনাওদা ঙা মরূ পন্দুনা লৈবগা অম্মা ওইরি হায়না লৌবা য়াই। অমাংবনি হায়না খুন্নাইনা ইন্থোকপীদুনা তোঙান্না তাহনবীরবা য়াইথিবী কাঙবুদগী অমাংবা হায়বা তমথীরবা ময়েক অসি মূথৎখিনবা খোঙজংগা মরী লৈনবা ৱারী লৈকায়গী অবোক-ইবেনশিংনা হেক-হেক ঐখোয়দা লীবিখি। অঙাং ওইরিবনা করিনো হায়বা মনুং থীৎনা খঙখিদ্রবসু ককচীংগী পুখ্রম্বম শাগৈগী অহল অমনা হায়খিবনি হায়বা থৌনানা য়োল্লবা ৱাহৈশিংদুদা থৱায় তানা নোকচখিবনি। ৱারীদুদি ... ***মতম অমদা য়াইথিবী হায়বা অমাংবা মীওই কাঙবু অমা লৈরম্মী। মখোয়গা চামিন-থকমিন্নরুবা, তোৎন-তিন্নরুবা মীশকশিং অদুসু লৈবাক খুন্নাইনা মাংলবনি হায়দুনা ইন্থোকই। মখোয়গী থবক থৌরম খুদিংমক্তা কনানসু চঙবীদে। মদুগা লোয়ননা লৈবাক নিংথৌ ব্রহ্ম সভানা পীবা চৈরাক ফংবসু য়াওরম্মী। অসিগুল্লবা লৈবাক নিংথৌগী অকনবা চৈরাক ফংগনি হায়বগী অকিবা করিমত্তা পোক্ত্রবা পুখ্রম্বমগী অহল অদুনা য়াইথিবী নুপী অমনা থোংবা চাক চারম্মী। মদুদগী মহাকপু ৱায়েনশঙদা কৌখত্তুনা অসুম্না মরৈ য়েৎনরম্মী...***

***"নঙনা য়াইথিবী মখূৎ চারুই হায়বসি অচুম্বরা?"***

***"চাজখিদে।"***

***"নচীন থীগনু! নঙনা য়াইথিবী মখূৎ চাবদু উহৌবা শাক্ষি লৈ।"***

***"ঐদি হিংচাবসু নত্তনা মীগী মখূৎ করম্না চাগদৌরিবনো? হোয়, য়াইথিবীনা থোংবা চাক্তি ঐনা চায়। মাসু মীনি, মীনা থোংবা চাক মী ঐনা চাবদা অকায়বা করিসু লৈতে খঞ্জে।"***

মতৌ অসুম্না মহাকপু চৈরাক পীবা ঙমখিদে হায়না অহলশিংদুনা লীবিরম্মী। মাগী মতিক মথৌনা মরৌশিংদো ঙসিগী মীরোলনা তানবা ফংগনি থাজদে। কূপ্না নৈনরুরবদি অমাংবগী চৈবী চৈথেং ফংবশিংদু অয়াম্বনা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওই ওইবজাৎনি। মরমদি মাংলে হায়দুনা ইন্থোক্লবা কনাগুম্বা খরদি নিংথৌ, ব্রহ্ম সভা, রতন অহুম অসিগী মনুংদা অমদা ফাইন থিরবদি অদুম্মক শেংদোকপী হায়। মদুদনি মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবত মশামক্না লুচিংদুনা মাংলে হায়না তোখাই তাহল্লবা লাইবক থীরবা মীওই কয়াগী শোরাৎ শোনবনচিংবা থবক থৌরম খুদিংমক পাঙথোক্তুনা মথোঙ হুক্তবা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনবু তেমশিংনখিবদু।

য়াইথিবী শেংদোকপগী ৱারীসি নৌহৌনা অমুক অখঙ-অহৈ অমদি পুখ্রম্বম শাগৈগী ওজা খরদা হংজবা মতমদসু শেমজিন শাজিনবা ৱারী নত্তে, তশেংনমক থোকখিবনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। খনখি পূক্লিংদা অসুক য়াম্না মরু ওইখ্রবা তাঙ্কক অসি পুৱারীগী লাচন্দা হাপফম থোকই। লৈঙাক্লা খুন্নাইনা অমাংবনি হায়না ইন্থোক্লবী অমনা থোংবা চাক-এঞ্জাং চাদুনা মতমদুগী তমথীরবা চৎন-পথাপকী ৱাংলবা পল অদুবু নমখায়বা ঙম্বা মহাক্কী পূন্সি অমসুং থবক্তুবু তরাই-তরাইনা লৌবা য়ারিবরা? রাজা রাম মোহন রোই, ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগরনচিংবগা চাংদম্নবা য়ারিবনি। পূক্লিংনদি লেপখি মচাকশিংদু থিচিনগে হায়না। থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমখিদে, হোরেন-হয়েং তৌদুনা অদুমক হৌখি। নীংবু নীংলবদি করিগুম্বা অমদি লাকই হায়বদুনি, নোংমা ইবুংঙো আর কে নাওরিয়া (নাওরেম রতনকুমার) ইনাক্তা লাক্লগা হায়রৈ-"ইন্দোমচা, ঐগী লাইরিক অমা ফোংলগনি, লাইরিক মশক তাকপীয়ু।"

ঐগী পামজবীনি, ***"পুখ্রম্বম ভারতকী পূন্সি খোঙচৎ"*** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা পীরম্মী। মখুম পান্দ্রি। ওজা ভারতকী পূন্সিদা তাখি-উখিবা থেংনখিবা খুদিংমক খোমজিন-তাশন্দুনা চেৎনা লুনা তাবুনুংদা থম্বীরম্বনি হায়। মচা নিঙোল নাওরেম ওংবী তবাবীদা শিন্নবীরম্বশিংদগী ওজা তবাবীগী মচানুপা আর কে নাওরিয়ানা শরুক খরা লৌখৎলগা লাইরিক অমা ওইনা ইথোকপনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী খঙজখিবা ঐনদি পোলিটিসিয়ন অমনি হায়না লৌজখিবা ককচীংগী মশক নাইবা ওজা পুখ্রম্বম ভারতকী বাইওগ্রাফিনি হায়না খঞ্জরুবনি। মনুংদা য়াওরল্লিবশিংদুদি অঙকপনি। পুখ্রম্বম শাগৈগী পারি পুরিদগী হৌরগা হীরম খুদিংমক্তা ওজা অসিগী মপা-মপুশিং, মচিল-মনাওশিং অমদি মহাক মশামক্লা ককচীং অমদি মীওইবা খুন্নাইগীদমক কন্থোক্তুনা হীরম খুদিংমক্তা মায়পুনবা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়াখিবশিং অদু মচা খায়না থল্লম্বশিংদু পারুবদা মীৎ-মায় খংশিং শিংগৎহনখি। ঐনা য়াম্না খঙনীংখিবা য়াইথিবীগী মতাংদু য়াওরম্বদা পেঞ্জবগী ঙমখৈ নাইখিদে।

য়াইথিবী কনানো, কমদৌনা অমাংবা কাঙবুনি হায়না ইন্থোকপীরল্লিবনো হায়বগী পাউখুম ফংলে। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা পাল্লিঙৈ কুমজা ১৭০৯দা ৱাইথৌ মপান থৌবাল খুনৌগী মীওইশিংবু অমাংবা কাঙলূপ য়াইথিবী ওইরে হায়না ইন্থোকখিবগী ৱাফম পল্লি। মদুদসু নত্তনা সোরা মনাক কোইজম কোঞ্জিন্দসু য়াইথিবী খরা লৈরম্বগী মতাং য়াওই। অসিগুল্লবা লৈঙাক অমদি খুন্নাইনা অমাংবনি হায়না য়াম্না তোন্না হিংহনবীরম্বা য়াইথিবীশিংবু শেংদোক্তুনা মীয়ামগা তোৎনা তিন্নবগী মহাউ অদু ফংহন্নবগীদমক অকনবা ঈহৌ অমা ককচীংদা শাগৎখি। ঈহৌ অসি পুখ্রম্বম য়াইমগী (ওজা ভারতকী অপোকপা) লুচিং মখাদা মনাওনুপা তোম্বা, মচানুপা ওজা ভারত, তোমচৌনচিংবনা মায়পুনবা থৌদাং লৌখি। পুখ্রম্বম য়াইমগী য়ূমদা খোঙহৌ অসিগী ৱাতান্নফম মফম ওইরম্বগা লোয়ননা কোইজমগী য়াইথিবীশিংবু মাগী হিঙ্গোলনুংদা য়ূম শাদুনা লৈহনবগীদমক ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈনা ফাওবা ইন্থোক্লম্মী। মসিদা মতম অদুগী লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী এম পি অনী মথংশিংনা সিনাম কৃষ্ণমোহন অমসুং অরিবম ললিতা মাধব অনীসু ককচীংদা লেঙবীরক্তুনা অচৌবা ইনোৎ হাপ্পীরম্মী। হোৎপু হোৎনরবদি লেম্না মাঙদে, অহানবা তাঙ্কক ওইনা কুমজা ১৯৫১গী সেপ্টেম্বর ১০দা ককচীং ৱাইরিদগী অচার্য্যময়ূম লদু শর্ম্মা অমসুং মনাওনুপা য়াইমবী শর্ম্মনা গুরু ওইদুনা ৱাইথৌ মপান থৌবাল খুনৌগী য়াইথিবীশিং শেংদোকখি। থা অসিমক্কী ১৪দা ৱাইথৌ অমদি সোরা মনাক্কী য়াইথিবীশিংগা লোয়ননা অচৌবা চাক্লেন অমা চামিন্নখি। পুখ্রম্বম য়াইমগী ইমুং-মনুং অমদি মদুদা য়াওরুবশিংবু মাংলে হায়না ইন্থোকপগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা কেস পানখৎতুনা চহী ১৪/১৫ কেস থেংনখি। মথক্তা পঞ্জখিবা য়াইথিবী মখূৎ চাদে হায়বদু পুখ্রম্বম তোম্বনা হায়খিবনি হায়না ইরি। ●

# লিলা য়েংবশিংদি পেল্লরিনি

- নবকুমার ওইনা -



নুংঙাইরে, লিলা য়েংবা পেল্লে, হৈরে-হৈরে হায়বশিংনা হৈতবা ওইরম্মেদনা। লৈত্রবা লাই লাৎপা থৱায় য়াওবা, লৈত্রবা লৈবাক নীংবা মীয়াম্না, লৈত্রবা লোল ঙাঙনরিবা মীয়ামগী লৈঙাক লৈবা য়াগদ্রা? য়ারক্ত্রিবসি ওইফম থোকপা অমনি।

ৱাখলসি অসুম চপশিল্লকই, হিংবা ঙমগনি থাজবদি ঙল্লক্তে। মালেমসিদা মী ওইনা লৈরি হায়বসি য়ানীংলক্তে। মীয়াম অমা অসুম্না কয়াম কুইনা লৈবা য়াগদৌরিবনো? ওন্থোকপা মরায়বক্লিদকো, মখোয় ৫০/৬০বু লুচিংবা অনীশুনা য়াওরমদ্রে, হৈবগী চাংদুবু হায়রিবা। মরাইবক থীবসিগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকপসু ইকায়বা, তৌরিবসি চহী লিশীং মঙাগী লৈবাক মচা ঙাক্তনি। ঙকপা অমা য়াওশিল্লকই। মর্জর এগ্রীমেন্ট তৌখিবদু অমুক হল্লকপগা মান্নরকই, কনা অমত্তগী মৱা লৌবিবা নত্তে। ৱাদি অদুম খন্নগনি, তৌথোক্লকপনা অমা তৌরক্কনি। উশিৎপা উশিত্তবা লায়রি, পঙবগী চাং ওনবা অমা হেক-হেক য়াওরি। মসিদনি হিংবা ঙমদৌবা মাল্লক্ত্রিবসে, থাজনবা লৈরক্ত্রবা ওইগনি। ফজনা কেরগা নুপী হেক মাল্লকপা, নিপা মান্নবা শঙ-শঙদুনা ঙাঙলগনা মমিৎ চোংথোকপমখৈ শাওবগুম মাল্লকপা হায়বদুনি। মসিদবু শাওবা য়ারিব্রা, চৈবগী ৱাসু নত্তে, হৈতবগীনি হায়বদি খঙইদনা। মালেমসিদা পাক হেক থোকপা য়াবা নত্তে, লমদমসিদি মালেমদা অতাঙবা অমনি। জগোয়বু শাবনে, কাওবগা-থিন্নবগা মালেম্না লোইনা খঙনরিবনি।

শোয়বনি হায়রবদি কংলৈচা খরগী নত্তে, ইন্দিয়া লৈবাক্কী অশোয়বনি, পার্টিদু ইন্দিয়াগীনি। পার্টিদু য়াওজদবা ময়ামসু ইকায়বা ফাওরিবনি, মালেমগী মীয়াম মমাঙদা য়োল্লিবনি। পুক ফৎনদবগীসু নত্তে, করিনো অমা খঙদবনি। মসিদনি পঙবা হায়গেরা শিংবা হায়গেরা, মী হায়বা হায়নরকইবসি। চাউবনা-তোম্বনা শোয়বনি হায়বসু য়াবা য়াদবা লৈগনি, খুন্নাইসিগী ৱাখল লৌশিংগী থাক অমা উৎলিবনি। মদুদি হান্ননা খলহৌবা মান্দে, লৈবাক ঙাকপা হায়বসি পঙচা চাবা, পঙথক থকপা অদুখক্তনদি য়াবা নত্তে।

ফক্লাংসি লৈবাক্লা তৈবা য়াওরিবনি, ফক্লাং তুরকপা ঙাকপা ওইনা লৌবদি লানগনি খল্লি। য়ূমদা লৈবদুনা খঙবনা খঙবনি লৈঙাক নৈনবশিংনা করি ওইনবু খল্লিবগে? লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বদু মাঙখ্রিবসি মখোয়না নত্তে হায়গে হায়রিব্রা? শাওবগী ৱাদি নত্তে, করিগী অওৎ-অপা শারুরিবনো হায়বসি খন্থফম থোক্তব্রা হংলক্কনি। শোরাৎ হৌরমদাইদা ঈশৈ হায়দোক্লকপা হায়বসি ঈশৈদু য়াওদ্রবসু শোরাত্তি শোনবা য়াবনি। মদুসু হৈত্রবদি শোরাৎ য়েথোকপদি লাল্লি হায়গনি। হৈতবা য়াবা নত্তে, শোরাৎ শোন্দনা শিখিবা ময়াম অমা য়াওশিল্লক্লবনি। নেতাজিগী শোরাৎপু কনানা শোনখিবগে? লৈবাক নীংবশিংগীদি শোরাৎ শোন্দ্রবসু য়াই হায়ব্রা, চংশি হেক শিদা।

লৈবাক্কী ৱাদি লায়বু লায়রি, তোলোপ মাঙলে, শেল মাঙলে, নুপী অঙাংশিংদুগী খল্লুবদা নুংবু নুংঙাইতে, করিবু খল্লমগনি। মখোয়বু লৈবাক নীংলমগদ্রনে? লৈবাক নীংববু নুপী অঙাং য়াওদবা য়াব্রদো। শেল মাঙদনবদি শিল্লমগনি, মশা-মশানা শিল্লিবদবু। খঙদবা ঐখোয় খরা লৈবগী ফরিবনি, লোইনা খঙনরবদি ৱা থোকওইদ্রদো। আর টি আই থারগা কৈদৌনদোইনো, উচিদা অদুম হঞ্জিল্লিবসি মঙায়। শেল মাঙগেরা-তোংগেরা পি আরনা লৈবাক ঙাকপবু কৈদৌবগে, ইমা-ইপা শিখিবদৌনা লাউনরিবা করিগীনো, হৈদি হৈত্রগা?

ভোট থাদখিবা মীশিংনা কনাদা-করম্না ভোট পীখিবনো কাউবা য়াওরম্মদ্রা? মখোয়না শোয়রগা কনাদা তায়নগে হায়বনো, মী খনবসি মখোয়না খনবনি, লিংজেল মান্নদ্রিবসু মখোয়নিদনা। হৈত্রবশিংগী মীচং ফোংনা চংলিবসু মখোয়নি, মীফম ফল্লগসু খূৎনেক মানবমখৈ ঙাঙবসু ঙম্নরি। মথংদদি করিবু হোংবকা ঙমজগদেরিবনো? থাজদে, লৈবাক নুংশিবা শাবগী ৱাতনি, শেলদা লোইনা চৎখিনি খল্লিবসি ময়ামদুসুনি। হুরানবগী মীচংদা লৈরগা হুরান্দবা শাবা ইখঙ খঙনবা ৱানি।

নেশনল পার্টিসু ওইজসনু অফবা পার্টিদা ভোট লেপ্পগা অফবা মী হেক্তা ওইগনি হায়বা য়াবা নত্তে, হূই মমৈ চুম্বা য়াদে হায়বসু লৈরিবনি। লৈঙাকসু পায়জসনু, হৈবু হৈত্রবা হেক্তা খঙলকইসি মঙায়। দেমোনস ক্রেজি হায়রিসিনি, ৱাথোক অদুম ওইনরক্কনি। ভোট পীবা লাল্লি হায়বসি খঙনরকইসিনি। চিথহৌবা খরনা অফবা শাবগী ৱাতনি, মদুসু লিলানি। মমৈদদি লমদমসিদবু লান্দবা কনা লৈরিবগে হায়বা য়ারক্লি। অমত্তা পুথোরকউবা, অদুম লাল্লমগনি থাজরবনি, ফজদ্রদো। প্রোব্লেমসি লিদরগী নত্তে, সিষ্টম ফেল ওই ওইরকপনি, ঙসি ফাওবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাং হায়রি, ইন্দিয়া পূম্নমক ফাওবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাং হায়রি, ইন্দিয়ান পূম্নমক অপঙবা শীরি। মীওই খরনা কপচেৎপা-কপচেৎপী ওইনা অৱাবা খাঙবদা ঈশৈবু শকপনে, তেংবাঙবিদ্রে লাউরি, লৈঙাক্তি লৈত্রে কনাদা অমুক লাউগদৌরি। পি আরনা করি তৌগদৌরি য়েংবা তারি, লিলা তাগদৌরিব্রা? ফজগনি হায়বদি থাজদে, কনাদা তায়নবা তারিবা। তখেন্দগী থাঙ লৌরুবা ঙায়গদৌরিব্রা? মৱা ফত্তবা শিবা ঙায়বা, শিরগনা অশিবগী লাইদগী বর নিরগা হিঙ্গৎহনবা ঙম্বা ইমা-ইবেল লৈরম্বা য়ারি।

অপঙবা অশিংবা খেন্নবা অদুম লৈখিগনি, মরায়বক ফবা ফত্তবা অদুম লৈখিগনি। মরায়বক ফবা মশীং হেনগৎলকইবমখৈ অপঙবা মশীংসু হেনগৎলকপা য়ারিবনি। মদুদনি লৈবাক্তি অদুম মূৎখ্রবনি। শেলনা লৈঙাক লৈখিব্রা- মী লৈবদা লৈবাক য়াওখিব্রা হংনরকইবা অসিনি। লিলাদি মদুগী মমাঙদগী হৌখ্রবনি। লাই থাজবদগী লৈঙাক্কী থাজবসু লাকখ্রিবনি। লাই থাজহল্লগা লৈবাক অমা শাগৎলম্বদু লাই থাজহল্লগা লৈবাক অমা মুথুৎপসু য়ারিবনি। লৈবাক নীংগে হায়ব্রা, লাই নীংগে হায়বয়া, লাইখায় তাদবা য়ারক্ত্রিবসি লিলাগী তাঙ্কক অমা ওইরক্লবনি। লাই নীংলসু য়ারোইদবা অমদি অদুম শিগনি, শিবগী লাইসু নীংঙু, ফজনা শিয়ু, হৈনা শিয়ু, শিংনা শিয়ু হায়বদি পঙশি শিগনু হায়বা ওইগনি। ঐ শিবদা লৈবাক য়াওখ্রবদি ফজবা চিংগদৌরিব্রা। ময়াম অমা পঙশি শিরসু চুম্লিবনি হায়বা লৈতে।

খুমন লৈবাক, মোইরাং লৈবাক মূথুৎখিবগী মৈত্রবাকসু মুৎপা তারকখি, হায়বদি নুংশিৎ অদু ঙসিসু শিৎলি হায়বসি লিলা ওইনা উনরিবনি। চহী চামঙা কৌব্রুনা কুমদল্লকখি। হন্দক সন্থোংনা কুমদল্লকই, খেন্নদে, নুংশিত্তি অদুম শিল্লক্লি। লৈবাক মূথুৎলগা শান্নবা হায়বসি নাইরিংজেলনি হায়রোইদবা কনা লৈবগে? কাঙলূপ-ফূরুপ কয়ানা কখোক্লদুনা ৱানা শেমগৎলক্লবা লৈবাক অমা মাঙশিল্লক্লিবা অসিদা থুম থাকচিন্দুনা লাংশোয়না য়ানশিনগনি হায়বসি শামুশঙদা খন্নফম থোকই হায়বতনি। শঙলিংবশিং কদোমদা চৎনখ্রবগে, অনৌবা শাকোক্কী মশীং পুয়াদা ইরমদ্রবরা?

পি আর ককা লাকপসিদি কাষ্টিং ওইবসু য়ারি। ●

# মাইগ্রেশনগী ৱারী -২

- জোস চোংথাম -

মতম শাংনদগী *"illegal migrant"* হায়না মীয়াম্না শীজিন্নরিবা ৱাহৈ অসিগী শীজিন্নফমগী মতাংদা য়েৎনদুনতা লাকই। নাকল অমরোমদনা হায়রিবনা, মালেমসিদা লৈবা মীওই অমত্তা *"illegal"* ওইবা লৈতে, মহাক্লা তৌরুরিবা থবক অদুদি ইল্লিগেল ওইবা য়াই। মখোয়না হায়রিবসিদি ইল্লিগেল ওই হায়বা মী অমত্তা লৈতে, মী অমবু ইল্লিগেলনি হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নরোইদবনি হায়বসিনি। মসিগী মহুত্তা *"undocumented"* নৎত্রগা *"unauthorized"* ওই হায়বা ৱাহৈশিং অসিনা মী অমগী ফীভম অমদি মশক তাক্কদবনি হায়বনি। অদুবু মসিদা লুরিবদি *"undocumented migrant"* শিং অসি মশা শক্তাকচবা য়াবা চে-চাং, শম্না হায়রবদা Driver's license, ID card, Bank account কী চে, মিং চনবগী চে অয়াম্বা মতমদা পায়গল্লি, লৈগল্লি, অদুবু লৈফমগী চে-চাং শুনা লৈতবা মীনা অয়াম্বা ওই। অদুগা নাকল অমরোমদগী হায়রক্লিবসিনা মাইগ্রেন্ট অমগী মতাংদা শক্তাল্লকপা মতমদা আইননা য়াই-য়াদে লেপথোকপসিনা মখোয়গী পূন্সিদতা নত্তনা পাল্লিবা লৈঙাক্তসু য়াম্না মরু ওই হায়বসিনি। অদুনা মখোয়বু আইননা য়াই-য়াদে হায়বা অসি চপ চানা তাক্কদবনি হায়বনি।

ইহান হানবা শরুকসিগী লোইশিল্লকপা ওইনা মখা তাবা শরুকশিংদা নৈনজগদবশিং শম্না থমজরগে : ঐনা অহানবা নৈনগদবা অসিদি মালেমগী ওইরিবা লম হোংবগী মচৎ অসিনি-কয়াম চাউনা হোংই, করম-করম্বা মফমদা কদাইৱাইদা হোংই, করি করিনা হোংহনবনো হায়বসিমা। করিদগী মীনা লম হোংলিবনো হায়বসিদগী খঙবা ঙমগনি, করি-করিনা হোংহল্লক্লিবনো হায়বসি খঙদোকপা ঙমগনি। মথংদা লম হোংবনা মীশিংদুনা থোক্লক্লিবা মফমদুদা মখোয়না হোংখিবদগী করি-করি অহোংবা পুরকপগে হায়বা, অদুগা হোংলগা লৈরুরিবা মফম অদুদনা মখোয়না হোংলকপদগী করি-করি অহোংবা পী হায়বসিমা নৈনজগনি। ময়ামগা তোৎনা-তিন্ননা লৈমিন্নবা য়াখিবগী মরম্না করিগীনো, খরনা পূনশিনবা য়াদদনা লৈবগী মরম্না করিনো হায়বসু নৈনজগনি।

লম হোংলকপা মী লাকপদগী ঐখোয়গী লৈফম চাফম, চৎনবীদা, শেল-থুমগী ফীভমদা নৎত্রগা লৈঙাক্লোন, লাইনীং লাইশোনদা অকায়বা য়াম্না পীরে হায়বসি কয়াম য়াম্না চুম্বনো নৎত্রগা লানবনো হায়বসিসু নৈনজগনি। অদুগা অরোইবদা পোলিটিক্স তৌবা, লৈবাক ঙাকপা মীওইশিংনা শীজিন্নরিবা লোন্দা-খোন্দা, লূপশিংনা ঙাঙ-শক্লিবা ময়াম অসি কয়াম য়াম্না চুম্বগে হায়বসিসু নৈনজগগনি। মসিদা য়াওরক্কদৌরিবসি, পোলিটিক্স তৌবশিংনা মচিন্দা ঙাঙলিবশিংদুগা মখোয়না থবক ওইনা পায়খৎলিবা পোৎশিংদুগা কয়াম য়াম্না চুন্নবগে নৎত্রগা খেন্নবগে হায়বসিসু ময়েক শেংনা নৈনজগনি। মদুগী মথক্তা মীয়াম মরক্তা য়ূম্ফম য়াওদবা তোকঙাগী মওংদা শন্দোক্লিবা ৱাফম, থাজনবী কয়া পাক-শন্না ঙাঙনরিবা, হায়নরিবা ময়াম অসি কদাইফাওবা চুম্বনো হায়বদু নৈনরিবা দাটা ময়াম নৈনরবা মতুংইন্না খঙগনি। ঐখোয়না শোকহল্লিবনা করিনো, ঐখোয়দদি শুকশোক শোকহন্দবা, ঐখোয়নদি পংঙাঙ ঙাঙনবা, লৈঙাক্লা ঙাঙলিবা অচুম্বা-অরানবা কয়া পূন্না নৈনমিন্নদুনা খঙমিন্নবা চুম্ব্রা হায়না খঞ্জে।

শেমগদৌবা পোলিসি শেমদবী মশাগী মথৌমল থৈদোক্লবা, তাইনবদা খুদোংচাবা মফমদা তাইশিন্নরগা, খূৎতা লৈরিবা প্রোব্লেম ময়াম অসিদা মীৎ তাঙবা মীগী চৈশুনা থেং শান্নবগুম ঙাঙলি-শক্লিবা ময়াম অসি মমুৎ তানা খঙদোকমিন্নবা চুম্মী খঞ্জে। ঐখোয়না তুংদা শোক্কদবা, লৈখা তাগদবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ, কোন্না মালেমগী মীয়াম মাঙদা ফিরুক খুম্মগা মায় থৈফম লৈতনবা থবকশিং অসি তৌহন্দনবা শেম শাবা চুমগনি অমদি মতাং-মতম চারিঙৈদা পায়খৎহৌবা য়াবা থৌরাংশিং নীংথিনা খন্নরগা পায়খৎমিন্নবা ফৈ খঞ্জে। মথং-মথং লম হোংবগী মতাংদা লৈরিবা ৱারী ময়াম অসি য়েংমিন্নসি।

**বোর্দর কন্না লাকশিনবনা মাইগ্রেশনদা পীবা অহোংবা :** হেক য়েংবদা লৈবাক অমগী ঙমখৈদা হেন্না অকনবা মওংদা য়েংশিনবা, লাকশিনবা অমদি চঙলকপগী খুদোংচাদবদু পিদ্রগদি অতোপ্পা লৈপাক্তগী মী মশীং হন্থনা চঙলক্কনি হায়বসি ঐখোয়না ফাওই। ৱাখল্লোনদি অসিনি : মী অমনা ঐখোয়গী লৈপাক্তা চঙলক্কে হায়রবদি শেল য়াম্না পায়দ্রগদি চঙবা য়াহন্দবা, থবক ফংবা মী খক্তমক চঙহনবা, য়ূম কৈ ফজনা লৈবা মী, লোল-লি ফজনা খঙবা অমদি ঐখোয়গী লৈপাক্কী চৎন-কাঙলোন, নাৎ, ফিজেৎ-চাকচা খঙবা মী খক চঙহন্নবা হোৎনরবদি, মী খরখক্তমক লম অসিদা চঙলক্কনি খল্লি। মদুগা লোয়ন-লোয়ননা লম অমদা চঙলকপদা ভিজা মথৌ তাহনবা অমদি বোর্দরদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌরগদি মী অয়াম্বা চঙলকপা হন্থহনগনি হায়বসি ঐখোয়না খল্লি। সিগুম্বা ৱাখল্লোন কয়া পায়খৎখ্রে, শম্না হায়রবদা য়ু কেদা Brexit, EU না মেদিটরেনিয়ন ঈপাক্তা লান্দুনা হিদা লাকপা থিংনবগী থবকশিং য়ু এসনা য়ু এস-মেক্সিকো বোর্দরদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা।

অদুবু মুন্না য়েংলুরগদি ৱারীসি ইচম-চম্মমদ্রে। থিংজিল্লুরবা মতুং মী চঙলকপা হন্থবগী ৱারী ইতা তাদে। মসিনা হেন্নদুম হান্না লাক্তুনা লৈরবা, মশানা ময়ূমদা হঞ্জখিগে খঞ্জরম্বা ময়াম অমা নমদনা লম অদুদা লৈশিন্নবা হোৎনরকই। মদুতসু নত্তনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া অমা থোকহল্লকপা য়াবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি।

ঐখোয়না ঈশিং চেন্থোক্তনবা মফম খরদা মেন্ননবা হোৎনবদা ঈশিংগী শাফুদুনা মেল্লিবা মফমদুদগী অতোপ্পা খরা হেন্না শোনবা, মেন্দবা মফমদা য়ুননবা হোৎনরকই। মসিগা চপ মান্ননা মফম খরদা নৎত্রগা লৈপাক খরগী মায়োক্তা লৈঙাক্লা অকনবা মওংদা মেন্ননবা, থিংননবা হোৎনরক্লগদি মাইগ্রেন্টশিং তূমিন্না লৈথোক্তে। অনৌ-অনৌবা লম্বী থি, অনৌ-অনৌবা পাম্বৈ পুথোক্লরকই। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮গী ৱাহং

১) "পূম্নমক অরেম্বনি, কবিগী তাঙলবা খুভম অসিদি নঙগী পূক্লিংগী মখা পোনবা নত্তে; ঐখোয়না মথক্তা হায়খ্রে, নথৱায় শোক্লা হায়বা ৱাহৈতনা মীগী মথৱায় শোকহনবা ঙম্মী।" ৱাহৈ পরেং অসি মীয়াম্না য়াম্না খঙনরবা ৱারেং অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারেং অদুগী অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

২) "নঙ ঐবু নুংশি হায়বদায়।-নুংশি-করি হায়না নুংশি, ঐদি য়ূম পানবা ঙম্মোই হায়বা নৎত্রা...।" ৱাহৈ পরেং অসি ময়াম্না শকখঙনরবা অইবা অমগী নোভেলদগী লৌথোরকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা নোভেল অসিগী অইবা কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "বীর টিকেন্দ্রজিৎ" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী ইংগ্রাজি দা কুমজা ২০২৪দা কনানা হন্দোকপগে?

৪) "বোরখানগী ইনে" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) "থম্মোয় মচেৎ" হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।